# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-08-2025)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী

## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ

## (তাং ১১-০৮-২০২৫, নিংথৌকাবা)

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং ক্রিমিনেল এক্তিবিতিশিংদা চেন্নবা লালহৌবা ৫ ফারে।

২) রাজ্যগী হেলথ সর্ভিসেস দাইরেক্তোরেটনা হায়রি-পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিমগী কার্দ পায়রিবা মীওইশিংদা মখা তানা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা নৌনা শাবা এম.পিশিংগী টাইপ সভেন মল্টি ষ্টোরি ফ্লেট ১৮৪ শঙ্গারগনি।

**------**

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং ক্রিমিনেল এক্তিবিতিশিংদা চেন্নবা লালহৌবা ৫ ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবকসু মখা তানা অদুমক

চথরি। অককবা অরোনবা পাউশিংদা য়ুমফম ওইদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ ফাগৎলে। বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুল ময়াই লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ(পি)গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মঙোন্দগী থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মেগজিন অমা, তোঙান তোঙানবা রাইফলশিংগী মেগজিন ৫, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, নোংমৈ মরু ৫০১, থ্রি নোট থি অম্যুনিসন চার্জর অনি, অমুবা মচুগী গন কেস অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাওথোং খুনৌদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী কে.সি.পি (ইবুংঙো ঙাঙোম গ্রুপ)কী মীওই অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। কে.সি.পি (সিতি মৈতৈ)গী মীওই অমসু শগোলবন্দ তেরা মোইরাংহনুবা লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবৈশোই ইশিরৌ এরিয়াদগী ঙরাং কে.সি.পি (পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হৈবোংপোকপী এরিয়াদগী কে.সি.পি (সিতি মৈতৈ)গী অতোপ্পা মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

মরক অসিদা, রাজ্য পুলিসনা মোতোর ভেহিকলস এক্টকী মায়োক্তা নিয়ম লান্না গারি থৌবশিংদগী ঙরাং চলান কক্তুনা লুপা লিশিং ৩৭,৫০০ খোমগৎলে।

**সস্পেন্দ(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কন্মান্দো ও.সি ইন্সপেক্তর নিংথৌজম দেবদাস সিংহ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

রাজ্য পুলিসকী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা থোকপা হুকুম অমদা হায়- মহাক্কী মথৌগী ৱাংমদা লান্না থবক তৌবগীদমক অসাম পুলিস মেন্যুয়েল পার্ট থ্রিগী রুল ৬৬কী মখাদা মহাকপু খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌরে। সস্পেন্দদা লৈরিঙৈ মনুংদা ইন্সপেক্তর অসি ইম্ফাল ইষ্টকী এস.পিগী ওফিসতা লৈগদবনি অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিতিগী অয়াবা য়াওদনা হেদক্বাতরস থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

**কার্দ(এল) ঃ** রাজ্যগী হেলথ সর্ভিসেস দাইরেক্তোরেটনা হায়রি-পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিমগী কার্দ পায়রিবা মীওইশিংদা মখা তানা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

দাইরেক্তোরেট অসিগী সি.এম.ঐচ.তি অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইগী পোলিসি মেনেজর ডা.ইরেংবম বিজেতা দেবীগা অকাশবানি ইম্ফালগা ৱারি শান্নবদা মহাকা হায়-পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিম অসিগী মতাংদা মীয়ামা পাক শন্না খঙনরকপদগী স্কিম অসিগী বিনিফিসরি মশিং য়ামা য়াল্লে। মণিপুরদা মীওই লাক্ষ ৭ কী ময়াদা স্কিম অসিগী কার্দ পায়রে। স্কিম অসিগী মখাদা লায়েংবদা চহীদা লূপা কোতি ১ রোমগী চাংদা চাদিং তৌরি। স্কিম অসিদা চংলিবা শেনফমগী চাদা ৯০ না কেন্দ্রনা পুথোল্লগা চাদা ১০ না রাজ্য সরকারনা পুথোকপনি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--ডা.বিজেতা**

**ত্রেনিং (এল) ঃ** মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ ওপন স্কুলিং ককৱানা নেসনেল স্কিল দেভলমেন্ট কোরপোরেসন অমসুং স্কিল ইন্দিয়াগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কয়া পীরি। ইন্সটিট্যুট অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইন্সটিট্যুট অসিনা নেসনেল ইদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০ রাজ্য অসিদা নিংথিনা চৎনহনবদা মতেং পাংবা ওইনা তোঙান তোঙানবা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কয়াসু পীননবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

**লান্মী (এল) ঃ** ওপরেসন সিন্দুর মাই পাকা পাঙথোকখিবা অমসুং লাক্লিবা ৭৯ শুবা নিংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসকী বেন্দ দিসপ্লে অমা হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ হুমি চুপা ইম্ফালগী কংলাগী নোংচুপথংবা গেটতা পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসি নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মখায়দগী পুং ৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**ধবলি(এল) ঃ** ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পনিজকী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর ডা.থাংজম ধবলিদা চেন্নাইদা লৈবা মাইলাই তিরুভালুভর তামিল শঙ্গম অমসুং ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মণিপুরনা লাইফতাইম এগচিভমেন্ট এৱার্দ ২০২৫ পীদুনা ইকাই খুমখ্রে। এৱার্দ অসি মহাকা খুন্নাই অসিবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা লম কয়াদা কখোকপগা লোয়ননা থৌদাং লৌরিবা অদুবু শকখঙদুনা পীবনি হায়রি।

**ৱাইতোন(এল) ঃ** পুন্না হিংমন্নবা মরুপ ৱাইতোননা লেপ্তুনা পাঙথোরকখিবা উ-চারাশিং থাবগী থৌরম অদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙরাংসু লম্বীগী নাক য়েত্তা থারিবা উ-চারাশিং নিংথিনা হৌবা ঙমবা শেমজিনবা অমসুং শিখ্রবা উ-চারাশিংগী মহুত্তা নৌনা অমুক থাজিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। খোঙথাং অসি মহৌশাগী ফিভম য়োকখৎপদা মতেং পাংবা ওইনা পাঙথোকপনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী বাবা খারক সিংহ মার্গতা নৌনা শাবা এম.পিশিংগী টাইপ সভেন মল্টি ষ্টোরি ফ্লেট ১৮৪ শঙ্গারগনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা-সিন্ধুর পান্বীগী চারা থাগনি অমদি মফম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসকী পাউনা হায়-ঙসি শঙ্গাগদৌরিবা অনৌবা ফ্লেটশিং অসি স্কৱার ফিট লিশিং মঙারোম চাউবা মফম অমদা শেমগৎপনি। মসিদা ওফিসিএলগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। হায়রিবা বিল্ডিং অসি য়ুহার হারকপা মতমদা অতেক অকায় থোক্তনবা মতমগা চুন্ননা শাবনি। মফম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অশোয় অঙাম থোক্তনবা অকনবা ঙাকশেলগী থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

লোক সভা সদস্যশিংগী লৈফম কোন্নদবগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবা অদুগী

য়েংলগা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপনি।

**বিহারঃ** বিহারগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি বিজয় কুমার সিনহানা ইলেক্তরস ফোতো আইদেন্তিতি(ইপিক) কার্দ অনি পায়রম্বগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা সেনিয়র বি.জে.পি লুচিংবা অসিদা নোটিস পীখ্রে। বিহারগী বানকিপুর অমসুং লখিশরাই বিধান সভা কেন্দ্র অনিগী ইলেক্তোরেল রোলশিংদা মহাক্কী মমিং তোঙান তোঙাননা য়াওরিবা অদুগী মরম থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা খঙহল্লকবা বানকিপুর বিধান সভা কেন্দ্রগী ইলেক্তোরেল রেজিস্ত্রেসন ওফিসরনা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, বি.জে.পিগী লুচিংবা অসিনা হায়-হিরম অসিগী মতাংদা বানকিপুর বিধান সভা কেন্দ্রগী ইলেক্তোরেল রোলদা য়াওরিবা মহাক্কী মমিং অদু লৌথোকপীনবা হান্ননা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙসি মধ্য প্রদেসতা লুপা কোতি লিশিং ১,৮০০ চংনা পায়খৎকদবা মেন্যুফেকচরিং প্রোজেক্ট-বি.ই.এম.এল. রেল হবকী উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

প্রোজেক্ট অসি রাইসেন জিলাগী উমারিয়া খুঙ্গংদা লম হেক্তর ৬০ রোম চাওবা মফমদা পায়খৎকদবনি। মসিনা মীওই লিশিং ৫ হেনবদা থবক ফংহন্নবা পান্দম থল্লি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফম পাউচেদা- ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং হলহনখিবা অমসুং মৈতৈবু এস.টি লিষ্টতা হঞ্জিনহন্নবা মাস কেম্পেইন হৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস এদিসনগী পাউচে অনিমক্তা- ম্যান্মারগী দ্রগ ললোনবগী থবকশিংদা খূৎলাই পায়রিবশিংনা মতেং পাংলি, ইন্দিয়া য়ৌরকপা মেথামফেটামিনগী চাদা মরফুতরা ম্যান্মারদগীনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- মণিপুরী সহিত্যা পরিষদকী উপাধি, শেলগী মনা লান্থোকখ্রে, ইন্তিলেকচ্যুয়েলশিংনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা ৱাখল খনবা মতম ওইরে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক, পোকফম, পীপলস ক্রোনিকলদসু ফোঙবা থেংনরি।

পীপলস ক্রোনিকলদা- মৈতৈ মীতৈ ত্রাইভ য়ুনিয়ননা এস.টি লিষ্টতা মীতৈশিংবু অমুক্কা হন্না চলহন্নবগী মাস কেম্পেইন হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- মে ৩ দগী থোরক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মনিপুরগী শেন্মীৎলোন চহী ১০ রোমগী মনিং হল্লগা চৎখ্রে হায়না সোইল কঞ্জরভেসনগী দাইরেক্তর কে.দেবদত্তনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মীপুম খুদিংগী থোংজিনদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি, পাৱর পায়রিবশিংগী খক্কী কোদ লৈবা নত্তে হায়না চিফ জস্তিল ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- ইন্দিজেনিয়স পীপল ওফ মণিপুরনা ইন্দিজেনিয়সকী

নুমিৎ পালন তৌখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- ৱার্ল্ড ইন্দিজেনিয়স পীপল পালন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ, পাউমাই নাগা ৱিমেন য়ুনিয়নগী ৩৮ শুবা রেজিং ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি।

তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলদা- মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী অপুনবা টিম অমদি মণিপুর পুলিসনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মফম অমদা আইননা য়াদবা প্লাস্তিক দিস্পোজেল গ্লাস পুথোকপা ফেক্তরি অমা থুগাইখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিজেনিয়স পিপলস ফোরম মণিপুরনা ইম্ফালদা লৈবা সিটি কনভেন্সন হোলদা ইন্তরনেসনেল ৱার্ল্ড ইন্দিজেনিয়স ডে পাঙথোকখিবগী পাউ, জেলিয়াংরোংগী মমিং লৈরবা শৈরেংবা অমদি শৈশকপা রিংখুৱানলুং জোন লৈখিদবগী পাউনা- তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**